১৯শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ হৌদোকখ্রে

# এম পি এস সী মণিপুর পুলিসনা সী ঐচ আই কে এল লিলোং চজিংবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচএন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ) না শীন্দুনা তাওবুংখোক মখা লৈকায়দা লৈবা বি এম এস সী গ্রাউন্দদা ১৯শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ ঙসি হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহানবা মেচতা এম পি এস সী মণিপুর পুলিসনা সী ঐচ আই কে এল লিলোং চজিংবু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ৬না শরুক য়াদুনা লীগ রাউন্দ বেসিসতা চথরিবা ১৯শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এদ্যুকেসনিষ্ট ডা. সোরাইসম মনাওতোন, ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদিসনেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (ওপস) থোকচোম কৃষ্ণতোম্বী অমসুং ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী প্রসিদেন্ট সলাম সনাতোম্বনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ অসিগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৪০ তাবা মতমদা এম পি এস সী মণিপুর পুলিস অমসুং সী ঐচ আই কে এল লিলোং চজিং লম্বা তৌনখি। মেচ অদু টিম অনীনা লোইবা ফাওবদা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এম পি এস সীনা গোল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চংখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদসু এম পি এসনা মেচ অদু লাকশিন্না শান্নখিবনা মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ্তা এম পি এস সীনা সী ঐচ আই কে এলবু গোল ৪-০দা মায়থীবা পীখি।

অহুমশুবা টি সুবোল মেমোরিএল টি-২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ব্রাই দব্লিয়ু সীনা রন ১৯দা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচএন এস)ঃ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসন (এম ভি সী এ) না শীন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম অমসুং লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা অহুমশুবা টি সুবোল মেমোরিএল টি-২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট (ভি সী টি) ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ব্রাই দব্লিয়ু সীনা রন ১৯দা মায় পাকখ্রে।


টিম ৭না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্না খাইদোত্তুনা পাঙথোক্লিবা অহুমশুবা টি সুবোল মেমোরিএল টি-২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট (ভি সী টি) ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা গ্রুপ এগী নাপসা খা ইম্ফাল অমসুং ব্রাই দব্লিয়ু সী লংথবাল শান্নখি। মেচ অদু ব্রাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা টোস ঙমদুনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখি। অদুগা নাপসা খা ইম্ফালনা বোল্লিং তৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ব্রাই দব্লিয়ু সী এলনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৯৯ লৌখি। ব্রাই দব্লিয়ু সী এলগী কুমারজিৎনা বোল ৪৬তা রন ১০১, উমাকান্তনা বোল ৩৩দা রন ৩১, সসিকুমারনা বোল ১৪দা রন ২৭ অমসুং গোজেন্দ্রোনা বোল ১৯দা রন ২৭ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা নাপসাগী রতন, কেশোরজিৎ অমদি ভোগেন্না ৱিকেট অমমম লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা নাপসানা ওভর ২০দা ৱিকেট ৫ তুরগা শুপ্নতগী রন ১৮০ লৌদুনা মেচ অদু ব্রাই দব্লিয়ু সী এলনা রন ১৯দা মায় পাকখি। নাপসাগী রতননা বোল ৪১দা রন ৯৫, সাইমোননা বোল ২৫দা রন ৩৩ অমদি সোমেন্দ্রোনা বোল ১৯দা রন ১৯ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা ব্রাই দব্লিয়ু সী এলগী প্রেমানন্দ অমদি রোজেসনা ৱিকেট অমমম অমদি কুমারজিৎনা ৱিকেট ২ লৌখি। ঙসিগী মেচ অদুদা রন ১০১ অমদি ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখিবা ব্রাই দব্লিয়ু সী এল লংথবালগী কুমারজিৎনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

৩৫শুবা মেন্স ষ্টেট পোলো, ১৪শুবা ৱিমেন্স ষ্টেট পোলো, ২শুবা জুনিয়র বোইজ য়ু-১৬ ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮

# পেরদাইস পোলো ক্লব, এস এ এন-এ অমসুং নাগামপাল য়ুথস পোলো ক্লব মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচএন এস)ঃ ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন (এ এম পি এ) না শীন্দুনা মপান কাংজৈবুংদা চথরিবা ৩৫শুবা মেন্স ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট, ২শুবা জুনিয়র বোইজ অন্দর-১৬ ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী মেন্স ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা পেরদাইস পোলো ক্লব, এস এ এন-এ অমসুং নাগামপাল য়ুথস পোলো ক্লব মায় পাকখ্রে।

পানা ২৫না শরুক য়াদুনা নোক আউট ষ্টেজতা পাঙথোক্লিবা ৩৫শুবা মেন্স ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮গী নোক আউট ষ্টেজগী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা পেরদাইস পোলো ক্লব অমসুং কংলৈপাক পোলো ষ্টার ক্লব শান্নখি। মেচকী অহানবা চক্করদগী অরোইবা চক্র ফাওবদা পানা অনীগী মায়কৈদগী ফজনা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা চক্র লোইশিল্লকপদা পেরদাইস পোলো ক্লবনা কংলৈপাক পোলো ষ্টার ক্লবপু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৬-০দা মায়থীবা পীখি। পেরদাইস পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১ এ রঞ্জন, জর্সি নম্বর ২ কে সমানন্দ অমদি জর্সি নম্বর ৩ টিম কেপ্তেন এন ফিলিপসনা পাঞ্জল ২/২ চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এস এ এন-এ অমসুং তেন্থা পোলো ক্লব শান্নখি। পানা অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এস এ এন-এনা তেন্থা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৭-২দা মায়থীবা পীখি। এস এ এন -এগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ২ কে রিসিকান্ত মীতৈনা পাঞ্জল ৩, জর্সি নম্বর ১ ঐচ চলাম্বা মীতৈ অমসুং জর্সি নম্বর ৪ টিম কেপ্তেন টি রিসিকান্ত মীতৈনা পাঞ্জল ২/২ চনখি। মায়থীহৌরবা তেন্থা পোলো ক্লবকী পাঞ্জল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ১ বি হেরোজিৎ অমদি জর্সি নম্বর ৪ এস পল্লাদানা পাঞ্জল অমমম চনখিবনি।

নুপাগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা ঙসি ইপুধৌ মার্জিং কে কে লূপ অমসুং নাগামপাল য়ুথস পোলো ক্লব লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা চক্র হৌরকপদগী হৌনা নাগামপাল য়ুথস পোলো ক্লবনা ইপুধৌ মার্জিং কে কে লূপপু য়াম্না লাকচনা শান্নখিবনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা নাগামপাল য়ুথস পোলো ক্লবনা পাঞ্জল ১২-০দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা জুনিয়র বোইজ অন্দর-১৬ ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙরাং অহানবা গ্রাউন্দদা তেন্থা পোলো ক্লব অমসুং নাগামপাল য়ুথস পোলো ক্লব শান্নখিবা মেচ অদু তেন্থা পোলো ক্লবনা পাঞ্জল ৩-২দা মায় পাক্তুনা ৱিন্নর ওইখি। ১৪শুবা ৱিমেন্স ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙরাংগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা থাংমৈবন্দ য়ুথ পোলো ক্লব-এ অমসুং কেএন এম এম আর এস শান্নখিবা মেচ অদু থাংমৈবন্দ য়ুথ ক্লব-এনা পাঞ্জল ৪-১দা মায় পাক্তুনা ৱিন্নর ওইখি।

# গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং ২০১৮-১৯ লোইশিনখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচএন এস)ঃ ফুটবোল মশান্নদা গ্রাসরুট লেভেলদগী হৌনা অফবা শান্নরোয় পুথোক্নবগী পান্দমদা অমোফা একাদেমি মোইরাংনা শীন্দুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরিগী শান্নবুংদা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ৯দগী হৌদুনা নুমিৎ ৩০নি চূপ্না চথরকখিবা গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং ২০১৮-১৯ ঙসি লোইশিনখ্রে।

গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং ২০১৮-১৯ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ভেটরান স্পোর্টস এসোসিএসন ইম্ফাল (ভি এস এ আই) থাংমৈবন্দগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস কে ভাত্রিকা, অমোফা একাদেমি মোইরাংগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ বিমোল, একাদেমি অসিগী সেক্রেটরি ঐচ সোটোজিৎ, ভেটরান স্পোর্টস এসোসিএসন ইম্ফালগী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ ইমোনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা অমোফা একাদেমিগী সেক্রেটরি হেমাম সোটোজিৎনা ফোঙদোকখিবদা অমোফাগী শরুক অমা ওইরিবা অমোফা একাদেমিগী নুপীমচা ১৫ য়াওনা পূন্না শান্নরোয় ১৫০ অমসুং টাটা ত্রষ্টনা খনগৎলবা নুপীমচা ১৩ য়াওনা শান্নরোয় ৫০ পূন্না খনগৎলবা শান্নরোয় ২০০না কোচিং কেম্প অসিদা শরুক য়াখি। মখোয়না তুংদা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নবা ঙম্বা ওইসনু হায়খি।

গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং কেম্প ২০১৮-১৯ লোইশিনবগা মরী লৈননা অঙাং মচাগী ওইবা বেবি লীগ টুর্নামেন্ট অমসু পাঙথোকখি। বেবি লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা মকোক মথং তাখ্রবা টিমশিংদা লোইশিনবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দাইজ মেম্বরশিংনা মনা মথুমশিংসু খূৎশিন্নখি।

ইবোতোন নীংশিং ফুটবোল লীগ

# আই দি সীনা পি আই সী মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৭ (ঐচএন এস)ঃ দি এস এ বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মগী শান্নবুংদা ঙরাংদগী হৌদুনা চথরিবা ৪শুবা এ ইবোতোন মেমোরিএল অন্দর-১৫ বোইজ ফুটবোল লীগ ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা আই দি সীনা পি আই সীবু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা লীগ রাউন্দ বেসিসতা চথরিবা মরিশুবা এ ইবোতোন মেমোরিএল অন্দর-১৫ বোইজ ফুটবোল লীগ ১০১৮গী ঙরাং হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ রনবির, বিষ্ণুপুর ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে লুখোইনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট অমসুং চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেচতা আই দি সীনা পি আই সীবু গোল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

LOAN AVAILABLE

(Tiles, Granites, Marbles, Grazing, Housing Loan etc.)

Smart City ওইনবগী পান্দমদা মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা মীওইশিংনা Smart Home ওইহনবগী পান্দমদা L.G. Construction & Material Pvt. Ltd. না Free Home Delivery Service ওইনা Tiles, Granites, Marbles, Grazing অমসুং Housing Loan (Upto 20 lakhs) লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি।

EMPLOYMENT NEWS :-

Title Mistry - 10 Nos., Brick Mistry - 5 Nos., Jugalli - 15 Nos., Steel, Alluminium, Iron Solding Mistry - 5+5+5 Nos., Car Driver - 5 Nos., Tata Driver - 10 Nos.

L.G. Construction & Material Pvt. Ltd., Regd.No. IW/669(s) of 2018

Khagempalli Huidrom Leikai, Imphal West Manipur, L.G. Motrors Building.

Braches at :- Sekmai Koujengleima, Samurou near Machu Hall, Kakching Irum Lamdong, Thoubal Okram, Nambol Phoijing Lamban, Moirang Patlou. Contact No. 8787727402

HL-B/4943/25/10-22/12 (alt.)




HL-P/2433/8-31-2,4 feb (alt)




HL-B/4987/15nov. to 13jan (alt.)




HL-B/5028/25/11-20/1




HL-P/2795/22Dec.to29 jan.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com